শিব সেনাগী থৌমীশিং থুংলখ্রবা অয়োধ্যাদা মাঙজৌননা অকনবা সিকুরিটিগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎখ্রে

অয়োধ্যা, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
রাম টেম্পল শানবগীদমক শিব সেনাগী থৌমী ২৫,০০০ হেন্না থুংলখ্রবা অয়োধ্যাদা অকনবা সিকুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) অনন্দ কুমারনা হায়খি, উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা মতিক চাবা সিকুর্যরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। খুদক্তা রাম টেম্পল শাগদবনি হায়না তকশিল্লিবা শিব সেনা অমসুং রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) কী থৌমী লাখ ২ হেন্না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লবা শেম-শারি।

মফম কয়াদা এন্টি টেরর স্কৱাদ, পেরা মিলিটরি ফোর্স অমদি দ্রোন কেমেরা থমদুনা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা হোৎনরি। সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা মী পুনবা য়াহন্দনবা অথিংবসু থল্লি। উত্তর প্রদেশ পুলিসকী স্পোক্সমেন ভিভেক ট্রিপাটিনা হায়খি, তোখায়বা পুলিস পর্সনেল ৯০০ অমসুং মশিং য়াল্লবা মিলিটরি পর্সনেলশিং থমদুনা নোংমাইজিং নুমীৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমদা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনবা হোৎনরি।

চৈরকসিদা, লানবনগা পাঙ্খক ওইরবা অয়োধ্যাদা শিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাকরেসু থুংলরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। বি জে পিনা ওর্দিনান্স অমা চৎনহল্লগা রাম টেম্পল শাবা হৌনবগী চপ চাবা নুমীৎ অমা লাউথোক্কদবনি হায়না শিব সেনানা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। সুপর সন্দে হায়না খঙনরিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী মীওই লাখ কয়ামরুম তিল্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

শিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাকরেনা মরাথা নিংথৌ ছত্রপতি শিবাজিগী পুনেদা লৈবা পোক্লফম লমদমদা চৎতুনা শিবনেরি ফোর্টতগী লৈপাক পেল্লগা অয়োধ্যাদা পুনবা থৌরাং তৌখ্রবনি।

অয়োধ্যা য়ৌরবা মতুংদা রাম টেম্পল শাবগা মরী লৈনবা ৱাহং কয়া প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মফমদা হংগনি হায়না মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা শিব সেনাগী বিজয়দস্মি রেল্লিদা থাকরেনা ফোঙদোকখি। শিব সেনাগী এম পি অধল রাও পটিলনা হায়খি, উধব থাকরেনা হেলিকোপ্টর তোংদুনা লাক্লগা ছত্রপতি শিবাজিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলল্লবা মতুংদা লৈবাকলৈহাও পেল্লগা হল্লকখি। শিব সেনানা অয়োধ্যাদা রামগী লাইশঙ অমা অথুবা মতমদা শানবা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা অয়োধ্যাদা রামগী মীতম শানবগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাং লাউথোকখ্রবনি।

অথুবা মতমদা রামগী মীতম অমা অয়োধ্যাদা শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, করম্বা মফমদা মীতম খিনগদগে হায়বগী মতাংদা থবক পায়খৎপা হৌরে। লাক্কদৌরিবা চহী খরগী মনুংদা অয়োধ্যাবু মালেমগী য়াম্না মরুওইবা সিটি অমা ওইহৌনবা হোৎনরগনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি।

অয়োধ্যাদা রামগী লাইশঙ অমা লৈরম্মী হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। হান্নগী মফম অদুমক্তদা অনৌবা লাইশঙ অমা শোয়দনা শারগনি। সর্য়ু তুরেলগী তোর্বান্দা লৈবা ফাইজাবাদ অমদি অয়োধ্যা পুনশিল্লগা অমত্তা ওইনা অয়োধ্যা হায়না খঙনরগনি। মফম অসিদা রামগী লাইশঙ অমা শাদুনা মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না অদিত্যনাথনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি জে পি-আর এস এসনা অয়োধ্যাগী য়েৎনরিবা রামজন্মভুমিগী ৱাফম শীজিন্নরগা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে হায়না কোংগ্রেসকী সেনিয়র লিদর অভিশেক মানু সিংহভিনা মরাল শিবা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, কুমজা ১৯৯২ গী মতুং তারকপদা বি জে পি অমসুং আর এস এসনা মীখল খুদিংগী রাম টেম্পলগা মরী লৈনবা ৱাফম পুখৎতুনা লাকখি। অদুবু মীখল লোইখ্রবা মতুংদদি রামগী লাইশঙ শাবগী ৱাফম কাউথোকখি। লাইশঙ শাবগী ৱাফম শীজিন্নরগা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌবগী থৌওং অসি রামদা ঈকায়বা পীবনি হায়না লৌফম থোকই।

চৈরকসিদা সুহেলদেব ভারতিয়া সমাজ পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওম প্রকাশ রাজভরনা অয়োধ্যাদা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা আর্মি থমগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গৌরি লঙ্কেস মীহাৎকী চার্জসিটতা হিন্দু লূপ অমগী মিং পল্লকখ্রে

বেঙ্গলুরু, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
মমিং লৈরবী পাউমী- এক্টিভিষ্ট গৌরি লঙ্কেস মীহাৎকী মতাংদা থিগৎলিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) না সিটিগী কোর্টতা ফাইল তৌরকপা চার্জসিটতা সনাতন সনস্থা কৌবা হিন্দু রাইট ৱিং গ্রুপ অমগী মিং পল্লকখ্রে।

প্রিন্সিপাল সিবিল এন্দ সেসন্স কোর্টতা এস আই টিনা লমায় ৯,২৩৫ পানবা চার্জসিট ফাইল তৌরকখি। চার্জসিট অদুগী মতুংইন্না সনাতন সনস্থা মনুংগী নেটৱার্ক অমনা থোইদোকপা লন্নাইগী ওইবা মরম অমত্তা লৈতনা লঙ্কেস হাৎখিবনি। চহী ৫ গী মমাঙদগী খুৎপু অসিনা লঙ্কেস হাৎনবা থৌরাং তৌদুনা লাকখি হায়নসু চার্জসিটতা ফোঙদোকখি।

স্পেসল পব্লিক প্রোসিকুটর এস বলননা এজেন্সীদা হায়খি, মীহাৎপশিংনা লঙ্কেসকী মফমদা লন্নাই ওইনা নুংঙাইতবা করিসু লৈতে। অখন্নবা ৱাখল্লোন অমদা চেৎনা থাজবা লঙ্কেসনা ইরকপা আর্টিকলশিং পারুবদগী লূপ অসিনা খোয়শাউনবা পোক্তুনা মীহাৎ অদু চথখিবনি।

হেন্না কুপথনা খঙবা ঙম্নবগীদমক মখা তানা থিজিন্নবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না এস আই টিনা কোর্টতা হায়জখি। মশাগী চহী ৫৫ শুরবী লঙ্কেসনা কম্যুনিষ্টকী ৱাখল্লোন্দা থাজবা থম্বগা লোয়ননা হিন্দুগী মায়োক্তা লৈবা ৱারোল কয়া ফোঙলকখি। মদুগীদমক মমাঙ চহীগী মে ৫ দা মহাকপু ময়ুম মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

পাউমী হাৎখিবগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা মতমদুগী সিদারময়ানা লুচিংবা লৈঙাক্না খুদক্তা এস আই টি অমা শেল্লগা থৌদোক অদুগী মতাংদা মপুং ফানা থিজিন্নবা খঙহনখি। হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই ১৮ মরাল শিবা লৈখ্রে। গৌরি লঙ্কেস হাৎনবা লৌতুনবদা য়াওখি হায়না মরাল শিরিবা মীওইশিংগী মনুংদা পর্সুরাম ৱাঘমারে, অমোল কারে, সুজিথ কুমার এলিয়স প্রভিন অমসুং অমিট য়াওরি।

মীওই খুৎপু অসিমক রেস্নিলিষ্ট অহুম- এম এম কালবর্গি, নরেন্দ্র দভোল্কার অমসুং গোবিন্দ পন্সারে হাৎখিবদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। চৈরকসিদা, গৌরি লঙ্কেস মীহাৎতা চেন্নবা লূপ অদুগী মথক্তা অথিংবা থল্লগনি হায়না কর্নাটকাগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর জি পরমেশ্বরনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, ক্রাইম অদুদা কনা কনা চেন্নখিবগে হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসি থিগৎলিবা এস আই টিনা মখা তাবা হেন্না মরুওইবা ৱাফমশিং চপ চাবা খঙবা ঙম্নবগীদমক মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না কোর্টতা হায়জখি। মীহাৎ অদু চথখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী মফম কয়াদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা থিগৎনবা খঙহনখি।

অঈং-অশা হোংলকপনা ঈচাউ থোকখিবনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
অঈং-অশাগী খল কায়রকপনা হৌখিবা ওগষ্ট থাদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা কেরলাদা ঈচাউ থোকখিবনি হায়না ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর জেনরেল কে জে রামেসনা ফোঙদোকখ্রে।

এন দি টি ভিগা অখন্ননা উনবা অমদা মহাক্না হায়খি, মহৌশাগী খল কায়রকপনা লৈবাক অসিদা নোংজুগী ফীভমদা চাউনা অহোংবা লাক্লে। জুলাই থা লোইশিল্লকপদা কেরলাগী মরুওইবা রিজার্ভরশিংদা ঈশিংগী ঈমায় ৱাংনা লৈরিঙৈদা খঙহৌদনা নোং কন্না চুরকপদগী তমথিবা মওংদা ঈচাউ থোকখিবনি। অহানবদা ওগষ্ট ৮ অমসুং ১০ গী মরক্তা অকনবা নোং চুখি। অনীশুবদনা ওগষ্ট ১৪ অমসুং ১৭ কী মরক্তা নোং কন্না চুরকখি। ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপনা দামদগী ঈশিং থাদোকপা মতমদা মফম কয়া থুমজিন্দুনা ঈচাউ থোকখিবনি।

কর্টারপুর বোর্দর কোরিদোরগী থৌরমদা নবজোট সিংহ সিধু শরুক য়ারগনি : রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
কোংগ্রেস লুচিংবা নবজোট সিংহ সিধুনা পাকিষ্টান চৎতুনা নীংশিংনিঙাই ওইরবা কর্টারপুর বোর্দর কোরিদোরগী থৌরমদা শরুক য়াগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নবেম্বর ২৮ দা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা থৌরম হৌদোক্লবা শেম-শাখ্রে। সিধুনা চহী অসিগী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা পাকিষ্টান্দা চৎতুনা বোর্দর ক্রোসিংগী থৌরম শরুক য়াগনি হায়না ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবদা সিধুনা হায়খি, নবেম্বর ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম শরুক য়ানবা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা চেবাউ পীরক্লে। হৌজিক হৌজিক পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা মীওই অসি মতম অমদা য়াম্না নক্না তীন্নরম্বা মরুপ-মপাং ওইবা মরম্না ঙমখৈদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমদা শোয়দনা শরুক য়ারগনি।

সিখ ফুরুপকী মীওইশিং গুর্দাসপুর অমদি পাকিষ্টানগী নীংশিংনিঙাই ওইরবা গুরদুৱারা শম্নবা লন্বী শেম্বীনবা মতম কয়াগী মমাঙদগী তকশিন্দুনা লাকখি। পাকিষ্টানগী ওইনদি শগোলশেন নুমীৎতা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম অমনা ইন্দিয়াদগী লাই খুরম্বা লাকপশিং চঙলকপদা খুদোংচানবগীদমক পঞ্জাবকী দেরা বাবা নানকতগী ইন্টরনেসনল বোর্দর ফাওবা লন্বী শেম্নবা ৱারেপ লৌখি।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদা নবজোট সিধুনা ইমরান খান ৱাশক লৌবগী থৌরম য়াওবা লাকপদা কর্টারপুর সাহিবকী ৱাফম পুখৎলমখি। ইন্দিয়াদা হল্লক্লবা মতুংদা নবজোট সিধুনা হায়খি মদুদি, অথুবা মতমদা পাকিষ্টান্না কর্টারপুর সাহিব তাবা লন্বী হাংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলক্লগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি মদুদি, কর্টারপুর কোরিদোরনা যুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মীওইশিং তোয়না উনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। ইরাই নুমীৎতা পাঙথোকখিবা গুরুপুরব থৌরম য়াওখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কুমজা ১৯৪৭ তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান খাইদোক্লখিবা মতমদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু অমুক হন্না নীংশিংবা চুমদে। ইষ্ট অমদি ৱেষ্ট জর্মনিগী মরক্তা খারম্বা বর্লিন ৱাল শিদোকখিবগুম কর্টারপুর কোরিদোর হাংদোক্তুনা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টানগী মীওইশিং তোয়না উনবগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি।

সিরোমনি অকালি দলগী প্রসিদেন্ট সুখবির সিংহ বাদলগী দিল্লিদা লৈবা ময়ুমদা পাঙথোকখিবা গুরুপর্ব কৃটন দরবারদা শরুক য়াখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, যুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মীওইশিং অফবা মরী থম্নবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সিখশিংগী শেংলবা লাইরিক গুরু গ্রান্ট সাহিবতা খুরুমখি।

মীওই কয়ানা মরম চাদবা মরাল শিরক্লি : নরেন্দ্র মোদি

ছটরপুর, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন রুপিগী ভেল্যু হন্থরকপগী মতাংদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাজ বাবরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে, কোংগ্রেসনা মরম চাদবা মওংদা মরাল কয়া শিবগী থৌওং চথরে।

মীখল পাঙথোক্কদৌরবা মধ্য প্রদেশতা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা মহাক্না হায়খি, বি জে পিগী ওইনদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ১২৫ না পার্টিগী হায় কম্মান্দনি। মেদাম অমনা রিমোট কন্ট্রোল পায়রগা তৌনিংবা মওংদা তৌবা অতোপ্পা পার্টি গুম্বা নত্তে। রাজ বাবরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কনাগুম্বনা ৱাফম অমত্তা পুখৎনিংঙাই লৈত্রবদি মরী লৈনদবা মওংদা অতোপ্পা মীগী মমা পন্দুনা ৱা ঙাঙলকপা মশানা তাবনি।

যু এস দোল্লরগা চাংদম্নবদা ইন্দিয়ন রুপিগী ভেল্যু মমাগী চহীগা পাঙ্খক ওইরে হায়না রাজ বাবরনা ফোঙদোকখিবনি। রাহুল গান্ধীবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, মেদামগী লৈঙাক লৈরিঙৈদা বেঙ্কশিং ইনাক খুনবা মীওই খরখক্কীদমক থোঙ হাংখি। অদুবু হৌজিক্তি মথৌ তাবা মীওইশিংদা শেল য়ৌহন্নবগীদমক বেঙ্ককী থোঙ হাংলে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙাঙলিবা ৱাফমশিং থাজনিংঙাই ওইদে হায়বা ইন্দিয়াগী মীওই অয়াম্বনা খঙনরে হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৪ গী মীখল মমাঙদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং মীখল লোইরবা মতুংদা অমুক হন্না নীংশিংখিদবগা লোয়ননা থবক ওইনা পায়খৎলকপা তৌখিদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নবেম্বর ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মধ্য প্রদেশকী এসেম্বলী মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙখিবদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, কুমজা ২০১৪গী মীখল মমাঙদা মোদিনা শেঙ্গা-থুমজা, লৌমী অমসুং থবক ফংদবা নহারোলশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। ঙসিদি মহাক্না হায়রিবা ৱাফমশিং অদু অমুক হন্না পনবা তৌখিদ্রে। পুম্নমক অসিদগী মোদিনা ঙাঙবা ৱারোলশিং থাজনিংঙাই ওইদে হায়বা লৈবাক্কী মীপুম খুদিংমক্না খঙনরে।

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখল মমাঙদা নরেন্দ্র মোদিনা লোন কোকপীগনি, লৌমীশিংগী শেন্দোং হেন্না ফংহনগনি অমসুং শিন্মীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎকনি হায়না ৱাশকখি। অদুবু মীখল মমাঙদা শকখিবা ৱাশক অমত্তা থবক ওইনা পাঙথোরকপা লৈত্রি। কোংগ্রেসনা মধ্য প্রদেশতা লৈঙাক পায়রবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরনা নোংমদা পুং ১৮ থবক শুদুনা নহারোলশিং থবক ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীখল পাঙথোক্কদৌরবা ষ্টেটশিংদা থবক ফংদবা অমসুং লৌবুক্কী ৱাথোক মায়োক্লরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মধ্য প্রদেশতা কোংগ্রেসনা করিগুম্বা লৈঙাক পায়বা থোক্লবদি নুমীৎ তরানিগী মনুংদা লৌমীশিংগী লোন কোকপীবগা লোয়ননা এগ্রিকলচরগী পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ষ্টেট অমা ওইহনগনি।

পথানকোটতা চিংনিনিংঙাই ওইবা মীওই থেংনবদগী থি-হুম্বগী থবক চথখ্রে

পথানকোট, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
পঞ্জাবকী পথানকোট দিষ্ট্রিক্টতা চিংনিনিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই তরুক চঙলকপা থেংনখ্রবা মতুংদা সিকুরিটি ফোর্সেসনা পাক-শন্না থি-হুম্বগী থবক চথখ্রে।

দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুরেশ অরোরানা হায়খি মদুদি, চিংনিনিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই খরা চঙলকপগী মতাংদা বি এস এফ, আর্মি অমসুং এয়র ফোর্সকা পাউ ফাওনরে। পথানকোটকী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস বিবেক সিল সোনিদা য়াথং পীদুনা মফম অদুগী অকোয়বদা পাক শন্না থি-হুম্বগী থবক চথহনখ্রে।

পথানকোট য়ৌগদবা কিলোমিটর ২৫ ৱাৎলিঙৈদা কার অমা হুন্দোক্লম্বগী মতাংদা দি জি পি অরোরানা হায়খি, লমখাংদা হুন্দোক্লম্বা কার অদুগী মপু খঙবা ঙম্লে। অরোনবা পোৎ হোন্দাক হোঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নবা কার অদু জম্মুদা লৈবা মীওই অমগীনি হায়বা খঙলে। পথানকোট দিষ্ট্রিক্টকী সাদিপুর খুঙ্গংদা চিংনিনিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই তরুক চঙলকপগী মতাংদা পাউ ফংলবা মতুংদা পঞ্জাব পুলিসনা হান্নদগী হৌনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

ইরাই নুমীৎকী নুমীদাংদা মীওই তরুক চিংনিনিংঙাই ওইবা মওংদা চঙলকখিবগী ৱাফম খুঞ্জা অমনা পুলিসতা পাউদল্লকখি। পাউ হেক ফংবগা পুলিসনা মফম অদুগী অকোয়বদা থি-হুম্বা চথখি। হৌখিবা নবেম্বর ১৪ দসু পথানকোট দিষ্ট্রিক্টতা খুৎলায় পায়বা মীওই মরিনা টেক্সি অমা হায়জেক্ট তৌবগী থৌদোক লৈখ্রবনি। সিলভর মচুগী টেক্সি অদু মীওই মরিনা জম্মু রেলৱে ষ্টেসন্দগী ৱাইরগা তোংখিবনি অমসুং লমখাংদা হায়জেক্ট তৌখিবনি হায়রি।

SKY Hospital & Research Centre Pvt. Ltd.

Govt. Recognised Hospital for Treatment of Various Heart Diseases
RIMS Road, Imphal-West, 795004, Manipur

[illegible]

Staffs Required Urgently

ADVT NO.17/2018|F/HR

If you are talented and looking for a career in a World Class Heart Hospital then don't delay, apply today for the following post:

Sl. no.	Name of Post	Qualification	Min. Experience	No. of Post
1.	Business Development Executive	MBA / PGDM	3 years	1
2.	Clinical Executive	MHA / Equivalent	2 years	1
3.	Medical Transcriptionist	Graduate / Equivalent	1 years (Min. typing speed 30 WPM)	1
4.	Receptionist	Graduate / Equivalent	Fresher may apply	1
5.	Media & Publicity Officer	Mass Com / Equivalent	2 years (Preferably having knowledge of IT skills & Multimedia)	1
6.	Senior RMO	MBBS / Equivalent	3 years	3
7.	ICCU Nurse	GNM / B.Sc. Nursing	3 years	3
8.	CTVS OT-Nurse	GNM / B.Sc. Nursing	3 years	3
9.	Neuro ICU Nurse	GNM / B.Sc. Nursing	3 years	3
10.	Echo Lab Nurse	GNM / B.Sc. Nursing	Fresher may apply	1
11.	Radiographer	Dip. in Radiology & Imaging Technology	1 years (Preferably Exp. in CT Scan)	1
12.	Medical Attendant cum Security	10th Pass	Fresher may apply (Preferably Male)	3

Pay & Perk will depend on qualification, experience & performance at interview
Last date of form submission : 03/12/2018
Date of Interview : 10/12/2018
Contact HR @ 8415938205/8119921756 or email us at hr@skyhospitals.com

HL-P/5030/25

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, Thoubal, Govt. of Manipur

Ref:- Mut. Case No. 527/AS&SO/TBL *Dated : 24/11/2018*

1. Khundrakpam (N) Sorojini Devi D/o (L) Birmani Singh of Khangabok Khullakpam Leikai.
2. –do– Geeta Devi D/o (L) Birmani Singh of –do–.
3. –do– Sobita Devi D/o (L) Birmani Singh of –do–.
4. –do– Binoykumar Singh S/o (L) Birmani Singh of –do–.
5. –do– Bishwojit Singh S/o (L) Birmani Singh of –do–.

-Petitioners

-Vrs-

(Late) Khundrakpam Birmani Singh S/o (L) Gandhar Singh of Khangabok Khullakpam Leikai.

-O.P.P.

[illegible]/NOTICE

Dt. 24/11/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না ইঙ্খোল অমসুং লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩/খাঙবোক, পাট্টা নং ১০৭২ (অরিবা) ৩৪৯ (অনৌবা) দাগ নং ৪২৪২ এরিয়া ০.৪৩৬৫ হেক্তর (ফৌরেল) অমসুং পাট্টা নং ২০৪৩ (অরিবা) ৫১০ (অনৌবা) দাগ নং ২৬৬২, ২৬৬৩ এরিয়া ০.৪০৫০ হেক্তর (ফৌরেল) অমসুং পাট্টা নং ৩৩৩ (অরিবা) ৩৬৬ (অনৌবা) দাগ নং ৪৫০৭ এরিয়া ০.১৭০০ হেক্তর (ইঙ্খোল) চাওবা লমশিং অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে, মৃত: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত: পাট্টাদারগী মহুৎতা মহাক্কী মচানুপী অহুম অমসুং মচানুপা অনীদা নামা ওনবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌবিনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/2559/25

[illegible]/ শ্রীশ্রীচৈতন্যদেবায় নম:

গৃহাস্থাশ্রমদা ঐখোয়বু কোনবিদুনা শ্রীরাধাগোবিন্দ সেবা ফংজরম্বা **হঞ্জবম ৺কুঞ্জকিশ্বর (কুঞ্জো) শর্মা**না ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতে স্বপরিবার পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ২২/১১/২০১৮ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ১৪ নি পানবা চতুর্দশী শগোলশেন নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা করুণাময় শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য দাস রস মঞ্জুরি হায়বা সিদ্ধনাম ফংজদুনা শ্রীধাম বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখরে।

লাক্লিবা তাং ২৬/১১/২০১৮ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ১৯ নি পানবা কৃষ্ণচতুর্থী নিংথৌকাবা নুমিৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ০২/১২/২০১৮ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ২৫ নি পানবা কৃষ্ণদশমী নোংমাইজিং নুমিৎতা চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীচৈতন্যদেবগী খুয়াদা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি মহাক্না তিন্নবীরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি। পাউচেগী থোঙদা পত্রনা নিমন্ত্রন কৎচবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

বিনিতগণ :- **হঞ্জবম ওংবী সুধৈন্য দেবী (সহধর্ম্মীনি)**

হ: নিঙোল নির্মলা দেবী (মচানুপী)
হ: নিঙোল ভ্রমরা দেবী (মচানুপী)
হ: নিঙোল মালা দেবী (মচানুপী)
হ: নিঙোল সর্মিলা দেবী (মচানুপী)

HL-P/2558/25 *ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল।*

[illegible]

NAWA SHINDAMKON

PRE PRIMARY TEACHERS TRAINING COURSE
Regd. No. 1446/SR/IW/2018

ADMISSION OPEN FOR NEW BATCH

- Qualification : Class X Passed and above
- Lowest Admission Fee and Tuition Fee only
- 90% Job facility inside Manipur
- Duration : 6 Months
- Seats : 10

Hurry Seats are Limited!

WANTED 2 NURSERY TRAINED TEACHERS

Contact : NAWA SHINDAMKON,
Changangei Makha Pioneer Club
☎ 8794782217 / 985623034

HL-P/2518/18,21&25

[illegible]/কোক তোয়না চিকপা, নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, নাতোন মনুংদা চাথৎলগা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, মীৎতগী পী তোয়না তাগনবা, কোক লুম লুম লাওরগা লৈবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা সাইনসনা নাদুনা কোক তোয়না চিকপা, নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, নাতোন মনুংদা চাথৎলগা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, মীৎতগী পী তোয়না তাগনবা, কোক লুম লুম লাওরগা লৈবা, নাতোন অনিমক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, নুংশা মঙাল উরগা কোক চিকপা হেনবা, লোক তোয়না তোয়না থুংবা, চাক-এঙ্গাং মহাও খঙদবা, শ্বর মনম নমথিবা, মায় মীৎ হাক্কৎচবা, নাতোন মনুংদা হাক্কৎচবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, হকথি তোয়না খনবা, ৱা ঙাংবদা খোঞ্জেল শেংনা থোকপা ঙমদবা, নহি তোয়না তাবা, কোক ঙাওবা, লোক তোয়না থুংবা, হকচাং চোকথবা, লোক য়াম্না খুরগা তুমফম খঙদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/ 9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar near traffic point.

থাগৎচরিবা : **CH. ABOY MEITEI**
Langthabal

HL-P/5710/25

[illegible]/ইচা সুধাকরগী তুংগী পুন্সিদসু মায় পাকপা ওইবীয়ু

L. Sudhakar

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা **লাইশ্রম সুধাকর** -না ওজাগী মহুৎ শীন্দুনা লায়েং মখা চথবীরকপা অসিদা ঐখোয়গী যুমগী কৈরোই লৈকাইগী মী ১/২ ইচা সুধাকরগী হিদাক চাবদগী নুঙ লোয়না তাখ্রে। মসিগীদমক্তা ঐগী মায়কৈদগীসু ইচা সুধাকরবু পাউচেগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। লোয়ন লোয়ননা ইচাগী তুংগী পুন্সিদা তৌরু তৌরুবা থবক খুদিংমক মায় পাকপা ওইবীরসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা মঙ্গল নীজরি।

Sd/- **N. Thambal Leima**
Khundrakpam Makha Leikai

HL-P/5721/25

[illegible]

MULTIPLE JOB VACANCIES

SL.No.	NAME OF POST	QUALIFICATION	SALARY
1.	Security Guard	VIII passed	6000/- & above
2.	Security Supervisor / Gun-man (Licence)	Ex-man	7000/- & 8500
3.	Driver/Gardener	VIII passed	7000/- & above
4.	Cook/House Keeping	VIII passed	6000/7000/- above
5.	Attendant/Receptionist	X/XII/ Graduate	5000/7000 above
6.	Field Officer/ Loan Recovery Staff	X/XII & Graduate	7000/- & above
7.	GNM/B.Sc. Nursing/ Lab-Tech/X-ray Tech		Negotiable

URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMENT & FRESHERS

1.	Security Guard	Upto 50 yrs	13000/- & above
2.	Security Supervisor/Gun-Man	Upto 50 yrs	14500/- & above
3.	Security officer/Asst. security officer	Upto 50 yrs	16000/- & above
4.	Driver	Upto 50 yrs	14000/- & above

LOAN AVAILABLE

1. BUSINESS LOAN
2. SERVICE LOAN
3. PENSION LOAN
4. VEHICLE LOAN (Two wheeler)

Last Date of Form Submission : 03/12/2018
Interview Date : 05/12/2018

For more details :
Please contact : ☎ 9089590410 / 8794829055
LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
Regd. No. 14/006/21/04/70/ Micro-Part-1

HL-P/3691/25-30 Nov.

[illegible]/গ্যেষ্ট্রিক ফহনবগী ওজা সহিদুর রহমনবু মীয়ামগী সেবা মতম শাংনা তৌবা ঙমহনবীয়ু হায়না মপুদা নীজরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা গ্যেষ্ট্রিক্না য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, চাবা থকপা তুমদবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কাখৎলগা চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক চাকপা-শাবা, তাং-তাং চিকপা, পুক নুংশিৎ কারগা থবাক ফুনগৎপা, হকচাং চোকথবা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ খুৎ শীথবা, মসল নাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক শাবা, মীহুন কা হেন্না হুনবা তৌরম্বা লায়না কয়া অসি ওজা **Makakmayum Sahidur Rahman** ☎ **8130735055/9612728959** দা চৎতুনা ওজাগী হিদাক চাজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **সহিদুর রাহমন**-বু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংজরিবা মফমশিং :

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba, 6 a.m. to 9.30 am.
2. Sangai Bazar M/S Gambhir Enterprises, Takhellambam Konjil (Hiyangthang) 10 a.m. to 5 pm.
3. Pallel Bazar, Kakching District.

থাগৎচরিবা : **S. PREMJIT**
Singjamei Chinga Makha

HL-P/3674/25